# ওপোজিসন পার্টিশিংনা য়ুনিটি লৈনা ২০২৪ গী লোক সভা মীখল থেংনদ্রবদি মথংদদি ইন্দিয়াদা মীখল পাঙথোক্তবা য়াই

**ন্যু দিল্লি, জুন ১৫ (এজেন্সী):** করিগুম্বা ওপোজিসন পার্টিশিংনা লিংজেল মান্ননা পুন্দুনা কুমজা ২০২৪ গী লোক সভা মীখল থেংনদবা তারবদি লৈবাক অসিদা মথংদদি মীখল পাঙথোক্তবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না এ এ পিগী নেসনেল স্পোক্স পার্সন সৌরাব বরদ্বাজনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা এ এ পিগী নেসনেল স্পোক্স পার্সন অমসুং দিল্লিগী কেবিনেট মিনিষ্টর সৌরাব বরদ্বাজনা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা নরেন্দ্র মোদিবু কুমজা ২০২৪ দা অমুক হন্না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর খনবা তারবদি মহাক্না কন্সটিট্যুসন হোংবগা লোয়ননা মহাক্না হিংলিবমখৈ মহাক্না লৈবাক অসিগী নিংথৌনি হায়না লাউথোকচরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। দিল্লিগী বি জে পিগী প্রসিদেন্ট বিরেন্দ্র ছসদেবনা বরদ্বাজকী ৱাফম অদুবু মথোং মরম খঙদনা মরাল পংশি শিবা অপঙবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পটনাদা জুন ২৩ দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ওপোজিসন কনক্লেবতা এএপিগী এজেন্দা করিনো হায়না হংবদা বরদ্বাজনা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা অচৌবা ইস্যুদি ওপোজিসন পার্টিশিংনা কুমজা ২০২৪ গী মীখল লিংজেল মান্ননা অমত্তা ওইবগী মওংদা থেংনমিন্নদবা তারবদি মথংদদি লৈবাক অসিদা মীখল পাঙথোক্তবা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম লৈ হায়বসিনি।

বি জে পিনা ওপোজিসনবু পান্থে অমা নত্ত্রগা অমা শীজিন্নদুনা মতম চুপ্পদা নমথনবা হোৎনদুনা লৈরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।




বরদ্বাজনা মখা তাখিবদা সি বি আই, ই দি অমসুং আই দিনা ওপোজিসন পার্টিশিংগী লিদরশিংগী মায়োক্তা ৱ্যেদ কয়া লেপ্তুনা কন্দক্ট তৌরিবা অমদি মখোয়বু জেলদা থল্লিবা থৌওং অসিনা করিগুম্বা মোদিনা কুমজা ২০২৪ দা অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা তারবদি মহাক্না লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন হোংবগা লোয়ননা মহাক্না হিংলিবমখৈ মহাক লৈবাক অসিগী নিংথৌ ওইগনি হায়না লাউথোরকপা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম লৈ।

অসিগুম্বা ফিভম অমা লাকপা তারবদি মশিং থিঙমদ্রবা মীয়ামা থৱায় কৎলগা পুরকখিবা লৈবাক অসিগী নিংতম্বা হায়বদু শোয়দনা মাঙখ্রগনি হায়না এএপিগী লিদর অসিনা ক্লেম তৌখি।

বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা শীল লাংদুনা থাসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীটিং অদুদা লোক সভা মীখলগী ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্কদৌরিবনি।

দিল্লিগী এএপি গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্টরগী মরক্তা সর্ভিস মেটরদা মুক্নবগী মতাংদা পল্লদুনা বরদৱাজনা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নেসনেল কেপিটেলদা ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট পায়খৎলিবা থবক থৌরম পুম্বা লেপহনবা পাম্মী।

# পলেষ্টাইনগী পিএমনা ষ্টেট অনীগী সোল্যুসন কন্ননবা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা মালেমদা আপিল তৌখ্রে

**রমালা, জুন ১৫ (এজেন্সী):** ইজরেলনা ষ্টেট অনীগী সোল্যুসন মায় পাকহন্দনবা হোৎনরকপা য়াবগী থৌওং অদুগী কন্ননবা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎননবা পলেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর মোহমদ ইষ্টায়েনা মালেম পুম্বদা আপিল তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মহাক্না ৱাফম অদু ৱেষ্ট বেঙ্ককী সিটি রমালাদা মিদ্দল ইষ্ট পিছ প্রোসেসকী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী স্পিসল রিপ্রজেন্টেটিব সবেন কুপমানগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টনা পলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটি মপুং ফানা লৈহন্দনবা অমসুং পলেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা লিংবা য়াহন্দনবা কন্না হোৎনরিঙৈ মরকসিদা ষ্টেট অনীগী সোল্যুসন কন্ননবা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না ইষ্টায়েনা মীটিং অদুদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ইজরেল্লি পিএম বেঞ্জামিন নেটন য়াহুনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টবু ইজরেল্লি সেটলমেন্টশিং হেনগৎহন্দুনা, লম পায়শিন্দুনা অমদি পলেষ্টিনিয়ন সিটিশিংদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা লেপ্তুনা চঙশিন্নবা হোৎনদুনা অমদি ক্রোসিংশিং অমসুং নেচরেল রিছোর্সশিং কন্ট্রোল তৌদুনা ষ্টেট অনীগী সোল্যুসন মায় পাকহন্দনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি।

# মহৈরোয়শিংবু মতেং পাঙনবা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিনা ৱেবিনারশিং পাঙথোক্লগনি

**ন্যু দিল্লি, জুন ১৫ (এজেন্সী):** অন্দর গ্রেজুএট প্রোগ্রামশিংদা এদমিসন তৌবগী প্রোসেস মনুংদা মহৈরোয়শিংবু মতেং পাঙননবগী সপোর্ট সিষ্টেম অমগী মনুং চন্না দিল্লি য়ুনিভর্সিটিনা জুন ১৯ দগী ৱেবিনারশিং পাঙথোক্লগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

একাদেমিক চহী ২০২৩-২৪ গী অন্দর গ্রেজুএট প্রোগ্রাম ৭৮ গী এদমিসন প্রোসেস য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌখ্রবনি।

ওফিসলশিংনা হায়রি, মদুদি এদমিসনগা মরী লৈনবা পেন্দবশিং য়েংশিন্দুনা লৈখায় তাথোকপদা মতেং ওইনবা দিল্লি য়ুনিভর্সিটি (দি য়ু) না ৱেবসাইট অমা শেম্লবসু থৌরাং তৌরি।

দিন ওফ এদমিসন হনিট গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইটতা তোইনা হংনবা ৱাহংশিংগী লিষ্ট অমা ফঙহল্লে। কেন্দিদেটশিংগীদমক্তা এদমিসন ব্রাঞ্চ অমা হেল্প দেস্ক ফেসিলিটিশিংসু ফংহল্লে। কেন্দিদেটশিংদা মতেং পাঙনবগীদমক ঐখোয়না মখল খুদিংগী ইনফোর্মেসনশিং এরেঞ্জ তৌরে। ইনফোর্মেসন মখল খুদিংমক ফোর্মেট খুদিংমক্তা হায়বদি টেক্স-ইনফোর্মেসন বুলেটিন; ভিজুয়েলশিং: ইনফোগ্রাফিক্স অমসুং ফৱার চার্টসকী খুখাংদা ইলিজিবিলিটি কন্দিসনময়েক শেংনা খঙহল্লি।

মসিদা নত্তনা ভিদিওশিং ওইনা ৱেবিনারশিং অমসুং ফোর্ম মেনশিনবগী ভিদিও রেকোর্দিংশিংসু মহৈরোয়শিংদা উত্তুনা খঙহল্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এদমিসন ব্রাঞ্চকী মায়কৈদগী নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌরগা পরিংনাইনা ৱেবিনারশিং পাঙথোক্লগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। ৱেবিনারশিং অদুগী অকুপ্পশিং য়ুনিভর্সিটিগী এদমিসন ৱেবসাইট *admission.und.ac.in* তা স্যের তৌগনি।

ৱেবিনারশিং অদুনা কম্মন সিট এলোকেসন সিষ্টেমগী ফোর্মশিং মেনশিনবা, অচুম্বা সার্টিফিকেট নত্ত্রগা দোক্যুমেন্ট অপলোদ তৌবা, রিজার্বেসন পোলিসিশিং অমসুং অতৈ মরু ওইবা কয়া কোভর তৌগনি।

## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR - IMPHAL

No.MU/9-99/1/23(C)
Date: 12-06-2023

**RESCHEDULED PROGRAMME FOR THE BA/BSC/BCOM/BPES/BFT/BSW/BTT 1st SEMESTER EXAMINATION, 2022 (NOVEMBER) (NEP)**

In continuation of this o.o. dated 25-04-2023, the rescheduled programme of the aforesaid examination is detailed below:

| Date & Day | 10:00 am to 1:00 pm |
|---|---|
| 24-06-2023 Saturday | AECC-1 |
| 26-06-2023 Monday | CORE COURSE-1 |
| 28-06-2023 Wednesday | CORE COURSE-2 |
| 30-06-2023 Friday | SEC-1 |

1) *The practical examination shall be held after the completion of theory papers.*
2) *The soft copy (CD) and hard copy of **Internal Assessments marks and VAC marks** are to be submitted to Room No. **205 (ICR)** and Room No. **301** of the Examination Block, MU respectively on or before **07-07-2023.***
3) *All the Officers-in-charge of Colleges may collect the confidential papers related to examination including Admit Cards from the concerned District Administration.*
4) *All the Officers-in-charge of Colleges shall deposit the Answer Scripts and other materials related to examination to the concerned District Administration.*
5) *The displaced candidates may opt their examination centre according to their conveniences after mutual understanding of the two concerned Principals of Colleges on or before **17-06-2023.***
6) *A supplementary examination may be conducted if the displaced candidates fail to appear the examination.*

**Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh**
**Controller of Examinations (i/c)**

HL-B/8176/13,14 & 16

# গ্রিসকা নক্লনা সমুদ্রদা জহাজ লূপখিবদগী মীওই ৭৯ শিখ্রে

**এথেন্স, জুন ১৫ (এজেন্সী):** মী কা হেন্না তোংশিল্লবা জহাজ অমা গ্রিসকী সমুদ্র খোঙবানগা নক্লনা ঈশিংদা লূপখিবদগী য়ামদ্রবদ মাইগ্রেন্ট ৭১ ঈরাক্লদুনা শিখ্রে অমসুং মীওই চা কয়া থীবা ফঙদ্রে হায়রি।

হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা য়ুরোপকী জহাজ চেন্নবা খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা থৌদোক অদু য়ুমশকৈশগী অঙনবদা থোকখিবনি অমসুং লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং থীবগী ওপরেসন লেপ্তুনা চত্থরি।

য়ুরোপিয়ন রেস্ক্যু-সপোর্ট চেরেটি অমগী মতুং ইন্না ভেসেল অদুদা মীওই ৭৫০ রোম তোংখি। য়ুএন মাইগ্রেসন এজেন্সিনদি ভেসেল অদুদা তোংলিবা মী মশিং ৪০০ রোম ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোরকখি। য়ুমশকৈশগী নুংথিল ফাওবদা মীওই ১০৪ রেস্ক্যু তৌখি অমসুং রিপোর্ট খরনা ভেসেল অদু লিবিয়াদগী লাকখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

ভেসেল অদুদা তোংলিবা মাইগ্রেন্ট অয়াম্বা ইজিপ্ট, সিরিয়া অমসুং পাকিষ্টানদগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। থী হুম্বা অমসুং মী কনবগী থবকশিং অয়ুক, নুংথিল অমসুং অহিং চুপ্পা লেপ্তুনা চত্থখি। মিলিটরি এয়রক্রাফটশিংনা ফ্লেয়রশিং শীজিন্নদুনা জহাজ লূপখিবা মফম অদুগী মনাক্তা মফম অদুগা নক্লনা মেদিটরিনিয়নগী ঈশিংগী শরুকশিং পুমঙাল ঙালহনখি।

থৌদোক থোকফম অদু গ্রিসকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা সমুদ্র মপানগী টাউন পাইলোসকী খা নোংচুপলোমদা কিমি ৮০ রোম লাপ্না লৈ হায়রি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবদগী রেস্ক্যু তৌখিবা মীওইশিং অদু পাইলোটসকা নক্লনা লৈবা গ্রিসকী পোর্ট কলামাটাদা পুখি অমসুং মখোয় মফম অদুদা মেদিকেল ক্যের অমদি টেম্পররি সেল্টর পীখি। গ্রিক কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোরকখিবদা কোষ্ট গার্দকী কাঙবু অমা ভেসেল অদু তম্না চঙশিনখি অমসুং মতেং পাঙখি। তৌইগুম্বসুং ভেসেল অদুগী মপান থংবা দেক্তা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিং অদুনা মতেং অমত্তা লৌদবগা লোয়ননা মখোয়না খোঙচৎ অদু মখা তানা চত্থনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

কোইর বোর্দ
মিনিষ্ট্রি ওফ মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
Azadi Ka Amrit Mahotsav

## কোইর ট্রেনিং কোর্সকী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি

প্রিস্ক্রাইব ফোর্মদা এপ্লিকেসনশিং কৌজরি
কোইর বোর্দকী তোঙান তোঙানবা সেন্টর মরিদা আর্টিজন ইন কোইর টেক্নোলোজি: এন এস ক্যু এফ লেভেল ৩ দা থা ৬ কী সার্টিফিকেট কোর্সকীদমক
(থা ৬ + ইন্টর্নশিপ থা ১)

খল্লবা ট্রেনিশিং থা অমদা লুপা ৩০০০ গী ষ্টাইপেন্দ ফংবগী খুদোংচাবা লৈগনি

এপ্লিকেসন (মেলগী খুখাংদা) লৌশিনবগী অরোইবা তারিখ : ২২-০৬-২০২৩

ইলিজিবিলিটি
- লোকেল লোন পাবা অমসুং ইবা ঙম্বা নন-মেট্রিকুলেট
- চহী ১৮ দগী ৫০ ফাওবা
- বেটচ সাইজ: কেন্দিদেট ২০
- আর এন্দ এল রুলস ১৯৫৮ কী মতুং ইন্না কোইর ফেক্তরি/কোইর কো-ওপ. সোসাইটিশিংনা স্পোন্সর তৌবা কেন্দিদেটশিংদা প্রিফরেন্স পীরি।
- এসসি/এসটি কেন্দিদেটশিংগীদমক সিট চাদা ২০ রিজার্ব তৌরি

মখাগী সেন্টরশিং অসিদা হোষ্টেল ফেসিলিটিশিং লেম্না ফঙহনগনি
১. ভুবনেশ্বর
২. থাঞ্জবুর
৩. অলাপুজা (নুপীশিং খক্তগী)

মপানদা লৈবা ইলিজিবল কেন্দিদেটশিংদা থাদা লুপা ৫০০ গী শেনফম হন্দোক্কনি (অলাপুজাদা নুপা কেন্দিদেটশিং অমসুং রাজামুন্দ্রিদা কেন্দিদেট পুম্নমক)

cbc 25131/12/0004/2324

এপ্লিকেসন ফোর্ম কোইর বোর্দকী ৱেবসাইট www.coirboard.gov.in দগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি।

খঙজিনগদবা: কম্যুনিকেসন পুম্নমক ইমেল/ফোন খক্কী খুখাংদা পাঙথোক্কনি।

কোচি
০২-০৬-২০২৩

এসদি/-
সেক্রেটরি, কোইর বোর্দ

## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR - IMPHAL

No.MU/9-19/1/21(C)
Date: 15-06-2023

**List of Examination Centres for the BA/BSc/BCom/BPES/BFT/BSW/BTT 1st SEMESTER EXAMINATION, 2022 (NOVEMBER) (NEP)**

| SL. NO | COLLEGE/INSTITUTE |
|---|---|
| | **BISHNUPUR DISTRICT** |
| 1. | C.I. College, Bishnupur |
| 2. | Kumbi College, Kumbi |
| 3. | Mangolnganbi College, Ningthoukhong |
| 4. | Moirang College, Moirang |
| 5. | Nambol L. Sanoi College, Nambol |
| 6. | S.K. Women's College, Nambol |
| 7. | Thambal Marik College, Oinam |
| | **CHANDEL DISTRICT** |
| 1. | South East Manipur College (SEMCO), Komlathabi |
| 2. | United College, Chandel |
| | **CHURACHANDPUR DISTRICT** |
| 1. | Bethany Christian College, Churachandpur |
| 2. | Churachandpur College, Churachandpur |
| 3. | Lamka College, Churachandpur |
| 4. | Rayburn College, Churachandpur |
| 5. | Young Pillars College, Lamka |
| | **IMPHAL EAST** |
| 1. | Biramangol College, Sawombung |
| 2. | Ideal Girls' College, Akampat |
| 3. | Ideal Teachers' Training Academy, Khurai |
| 4. | Kanan Devi Memorial College of Education |
| 5. | Liberal College, Luwangsangbam |
| 6. | Maharaja Bodhchandra (MB) College, Palace Compound |
| 7. | Modern College, Porompat |
| 8. | Naorem Birahari College, Khundrakpam |
| 9. | Ng. Mani College, Khurai Chairenthong |
| 10. | Shree Shree Gourgobind Girls' College, Khurai |
| 11. | Standard College, Kongba |
| | **IMPHAL WEST** |
| 1. | Chil Chil Christian College, Kanglatongbi |
| 2. | College of Social Work, Changangei |
| 3. | Highland National College, Kanglatongbi |
| 4. | Imphal College, Kwakeithel |
| 5. | Kamakhya Pemton College, Hiyangthang |
| 6. | Manipur College, Pishumthong |
| 7. | Mayai Lambi College, Yumnam Huidrom |
| 8. | N.G. College, Lamphelpat |
| 9. | Pravabati College, Mayang Imphal |
| 10. | Regional College, Lilong |
| 11. | Temple of Learning Degree College, Canchipur |
| 12. | Vibgyor Institute Of Management And Information Technology, Lamjaotongba |
| 13. | TS Paul Manipur Women's College, Mongsangei |
| 14. | Vishal Group of Institution, Changangei |
| 15. | Western College, Konthoujam |
| 16. | Dept. of Physical Education and Sports Science, Manipur University |
| | **JIRIBAM DISTRICT** |
| 1. | Jiri College, Jiribam |
| | **KAKCHING DISTRICT** |
| 1. | Kakching Khunou College, Kakching |
| 2. | Kha-Manipur College, Kakching |
| 3. | Pole Star College, Wabagai |
| | **KANGPOKPI DISTRICT** |
| 1. | Damdei Christian College, Motbung |
| 2. | Kanggui Christian College, Kangpokpi |
| 3. | TC College of Teacher's Education & Social Work (TCTESW), Kangpokpi |
| 4. | Presidency College, Motbung |
| 5. | Heritage Christian College, Leimakhong |
| | **NONEY DISTRICT** |
| 1. | Jadonang Memorial College, Noney |
| | **SENAPATI DISTRICT** |
| 1. | Asufu Christian College, Senapati |
| 2. | Hill College, Tadubi, Senapati |
| 3. | Lungnila Elizabeth College, Senapati |
| 4. | Mount Everest College, Senapati |
| 5. | Mount Pisgah College, Senapati |
| 6. | Mount Zion College, Senapati |
| 7. | St. Xavier College, Senapati |
| | **TAMENGLONG DISTRICT** |
| 1. | Tamenglong College, Tamenglong |
| | **TENGNOUPAL DISTRICT** |
| 1. | Moreh College, Moreh |
| | **THOUBAL DISTRICT** |
| 1. | Lilong Haoreibi College, Lilong |
| 2. | Thoubal College, Thoubal |
| 3. | Waikhom Mani Girls' College, Thoubal |
| 4. | Y.K. College, Wangjing |
| 5. | Yairipok Universal College, Wankhem |
| | **UKHRUL DISTRICT** |
| 1. | Pettigrew College, Ukhrul |
| 2. | Sentinel College, Ukhrul |
| 3. | St. Joseph College, Ukhrul |

**Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh**
**Controller of Examinations (i/c)**

HL-B/8180/16,17 & 18